**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 03-02-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্যপাল আজয়কুমার ভল্লানা ঙসি এদিক্সন ফ্রি মণিপুর কেম্পেন ইম্ফালগী রাজ ভবনদা হৌদোকখ্রে।

২) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না ঙসি মণিপুর য়ুনিভর্সিতি কেম্পসতা নৌনা শাবা ওপন জিম অমসুং আর্ট এন্দ কলচর বিল্ডিং শঙ্গাবগা লোয়ননা নৌনা পায়খৎকদবা প্রোজেক্ট অনি যাত্রা হুনখ্রে।

৩) সিত্তিং ১১ লৈগদবা ১২ শুবা মণিপুর বিধান সভাগী ৭ শুবা মীফম থা অসিগী ১০ দগী হৌরগনি, ফেব্রুৱারি ২৪ ফাওবা চখগনি।

৪) জিরিবাম-ইম্ফাল রেলৱে প্রোজেক্ট অথুবদা লোইশিন্নবা অমদি মণিপুরদা মহৌশাগী পুন্সিদা হঞ্জিল্লকবা কেন্দ্র সরকারনা অকনবা থবক লৌখৎপীনবা এম.পি. লৈশেম্বা সনাজাউবনা সংসদতা তকশিনখ্রে।

অমসুং

৫) দিল্লি বিধান সভা মীখলগী ভোট খোম্বগী মতম ঙসি নুমিদাংৱাইরম লোইরে।

------

রাজ্যপাল (এল)ঃ রাজ্যপাল আজয়কুমার ভল্লানা ঙসি এদিক্সন ফ্রি মণিপুর কেম্পেন ইম্ফালগী রাজ ভবনদা হৌদোকখ্রে। কেম্পেন অসি ব্রহ্মকুমারি অমসুং সোসিয়েল জষ্টিস এন্দ ইম্পৱারমেন্ট মন্ত্রালয়না নসামুক্তা ভারত

অভিয়ানগী মখাদা শিনবনি। কেম্পেন অসিগী পান্দমদি- রাজ্য অসিদা ময়াই কাবা চীঞ্জাকা পীরিবা চৈথেং মীয়ামদা নিংথিনা খঙহনবনি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা হায়- ড্রগ য়াওনা ময়াই কাবা নিশাশিংনা খুন্নাইদা পীরিবা চৈথেং অসি মপুং ফানা থেংনবা হায়বসি শিংনবা কয়াগী মনুংদা অমা ওইরিবনি। চৈথেং অসি থেংননবা হোৎনবদা সরকার অমদি মীয়ামা পুন্না চৎমিন্নবা তঙাইফদে। মহাকা হায়- নসামুক্ত ভারত অভিয়ান অসি মরুওইনা লৈবাক অসিদা ময়াই কাবা ড্রগ শিজিন্নবগী চাং হন্থহান্নবা পায়খৎপা খোঙথাং অমনি। কেম্পেন অসিনা হৌজিক ফাওবদা লৈবাক অসিগী অপুনবা জিলা ৩৭২ কোনশিনবা ঙমলে। রাজ্যপালনা ব্রহ্মকুমারিশিংনা থাংজিল্লক্লিবা খোঙথাং অদুবু থাগৎপা ফোংদোক্লদুনা হায়- ঙসি হৌদোক্লিবা কেম্পেন অসিদা লমদম অসিদা লৈরিবা নহাশিংনসু শৌগৎতুনা ড্রগকী চৈথেং লৈতবা লমদম অমা ওইহন্নবা হোৎনশি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা সোসিয়েল ৱেলফ্যার দাইরেক্তর ঙাঙোম উতমনা বিভাগ অসিনা নসামুক্ত ভারত অভিয়ানগী মখাদা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা রাজ্যপালদা পাউদমখি।

বিরেন (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না ঙসি মণিপুর য়ুনিভর্সিতি কেম্পসতা নৌনা শাবা ওপন জিম অমসুং আর্ট এন্দ কলচর বিল্ডিং শঙ্গাবগা লোয়ননা নৌনা পায়খৎকদবা প্রোজেক্ট অনি যাত্রা হুনখ্রে।

ঙসি মুখ্য মন্ত্রি যাত্রা হুনখিবা প্রোজেক্ট অনি অদ্দি- কে.ভি.এ থ্রি বাই এলেভেনগী পৱার সবষ্টেসন অমসুং স্বিমিং পুল য়াওরি। মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকপা থৌরম অদুগা মরী লৈননা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হায়- মণিপুর য়ুনিভর্সিতি অসিদগী মহৈ নিংথিনা ফংদুনা থোরক্লবা মহৈরোই কয়ানা খুন্নাই অসি শেমগদৌরিবনি। মহৈ লোইশঙ হায়বসি লাইশঙ অমনি। য়ুনিভর্সিতিগী মরুওইবা কয়াগী মতাংদা পল্লদুনা শ্রী বিরেন্না হায়- রাজ্য সরকারনা য়ুনিভর্সিতিগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং তরাইনা লৌদে। মতম পুমমক্তা অৱাৎপা লৈতনবা হোৎনদুনা লাক্লি। মহাকা হায়- হৌজিক মণিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসি করিদগী হৌরকপনো হায়বদু খঙমিন্নবা মহৈরোই,

রিছার্সর অমদি ফেকলতি য়াওনা পুন্না খন্নমিন্নবা চংই। মীয়াম মরক্তা লৈরিবা চমমবা অসি কোকহন্নবা এৱারনেস পীবগী তঙাইফদবা লৈ।

থৌরম অদুদা পৱার মন্ত্রি থোঙাম বিশ্বজিৎ, শিক্ষা মন্ত্রি থৌনাউজম বসন্তকুমার, এম.এল.এশিং- করাম শ্যাম, শাপম কুঞ্জকেশ্বর অমসুং য়ুনিভর্সিতি অসিগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসার এন. লোকেন্দ্র, ফেকলতি, ষ্টাফ অমদি মহৈরোশিং শরুক য়াখি।

সিএম(এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি- সরকারনা রাজ্য অসিদা চীং অমসুং তম থোং মান্ননা চাওখৎহন্নবা থৌরাংশিং লেপ্তুনা পায়খৎলি। কোবিদ নাইন্তিন অমসুং হৌজিক থোক্লিবা ইরাং মরক অসিদসু তোঙান তোঙানবা চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট কয়া শঙ্গাদুনা মীয়ামদা শিন্নখ্রে।

ৱাফম অসি মুখ্য মন্ত্রিনা ঙসি লাঙ্গোল হাউজিং কমপ্লেক্সতা নৌনা মল্টি স্তোরি গভর্ণমেন্ট ক্বাতর শানবা উরেপ উয়ুং তম্বগী থৌরমদা ফোঙদোকখিবনি। মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- রাজ্য অসিদা হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসিনা চহি অনিগী মতম মাংহল্লে। অদুমওইনমক, লৈঙাক অসিনা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং লেপ্তুনা পায়খৎলি। মসিগীসু মথক্তা লমদম অসিদা শান্তি পুরকবা খোঙথাংশিং পায়খৎলি। মহাকা হায়- ঙসি যাত্রা হুল্লিবা গভর্নমেন্ট ক্বাটর অসি মথোল ৭ লৈগনি। মীশিংদি নোংম নোংমগী হেনগৎলবসু লমগী পাক চাউবদি হেনগৎতবনা য়ুম শাবা মতমদা মথোল য়াওবা য়ুমশিং শাবগী তঙাইফদবা লৈ। হায়রিবা গভর্নমেন্ট ক্বাটর অসিগা মান্নবা ক্বাটরশিং নিউ চেক্কোনদসু শাগৎলি।

অমরোমদা, মন্ত্রিনা হায়- ঈশিং তুংফম পাৎ অমদি ইরম নল্লাদা ফত্তা হাওদি হুন্দোকপনা লায়না কয়ামরুম থোকহল্লি। চীংদা উ য়ানবা, তম্পাক্কী মফমশিংদা লম খোপচিনবনা চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং পায়খৎপদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োকরি।

থৌরম অদুদা মন্ত্রিশিং অমদি এম.এল.এশিং শরুক য়াখি । পনবা য়াবদি, ঙসি যাত্রা হুনখিবা প্রোজেক্ট অসি রাজ্য সরকারগী সিয়ারগা লোয়নননা হুদকোগী শেন্থুং মখাদা লুপা কোতি ৬৫ লাখ ৬০ চংনা পায়খৎকদবনি। মথোল ৭ লৈগদবা বিল্ডিং অনি অসিদা পুন্না টাইপ থ্রি ক্বাটর ৬৪ লৈগনি।

এসেমব্লি (এল) ঃ   সিত্তিং ১১ লৈগদবা ১২ শুবা মণিপুর বিধান সভাগী ৭ শুবা মীফম থা অসিগী ১০ দগী হৌরগনি। ফেব্রুৱারি ২৪ ফাওবা চথগদবা মীফম অসিগী অহৌবা নুমিৎতা রাজ্যপালনা মহাক্কী ৱারোল থমগনি। তুংদা রাজ্যপালগী ৱারোলগী মোসন ওফ থেঙ্কস পীবগা লোয়ননা বিজিনেস এদভাইজরি কমিতিগী রিপোর্ট পুথোক্কনি। নিনি চনবা নুমিৎতা হাউসকী লৈখিদ্রবা সদস্যশিংগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎপগা লোয়ননা রাজ্যপালনা থমখিবা ৱারোল খন্নগনি।

মীফম অসিগী মঙানি শুবা নুমিৎতা শেনবা চহি ২০২৪-২৫ গী সপ্লিমেন্টরি দিমান্দস ফোর গ্রান্টশিং খন্নরবা মতুংদা শেনবা চহি ২০২৫-২৬ গী বজেৎ ইষ্টিমেট পুথোক্কুনা খন্নগনি।

ইবোবী (এল) ঃ   কংগ্রেস লুচিংবা অমদি হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি ওক্রম ইবোবীনা লুচিংবা কংগ্রেসকী মীহুৎ কাংবু অমনা রাজ্যপাল আজয়কুমার ভল্লাগা উন্নদুনা লাক্কদৌরিবা বিধান সভা মীফম অসি রুল ওফ প্রোসিজর অমসুং কন্দক্ট ওফ বিজিনেস ঙাকা চথহনবীয়ু হায়না তকশিনখ্রে।

রাজ ভবনদা ঙসি রাজ্যপালগা উন্নবা অদুদা থা অসিগী ১০ দগী হৌগদৌরিবা রাজ্য বিধান সভা মীফম অসিদা সরকার পায়রিবা বি.জে.পিনা সংবিধানগী কাংলোন ঙাকা মীফম অসি পাঙথোকবা পাউতাক পীবীয়ু হায়না কংগ্রেসকী মাইকৈদগী অইবা চেরোল অমসু পীশিনখি।

রাজ্যপালগা উন্নরবা মতুং পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা শ্রী ইবোবীনা হায়-ভারতকী সংবিধানগী মখাদা পীরিবা চৎন কাংলোনগী মখাদা বিধান সভা মীফম অসি পাঙথোক্কদবনি। মসিদা হাউসকী মেম্বর খুদিংমক্কী চপ চাবা হক লৈ। মাফম মনুংদা মেম্বর খুদিংমক্কী হক অদু ফংহন্নবা রাজ্যপালদা হায়জখি।

সনাজাউবা (এল) ঃ   জিরিবাম-ইম্ফাল রেলৱে প্রোজেক্ট অথুবদা লোইশিন্নবা অমদি মণিপুরদা মহৌশাগী পুন্সিদা হঞ্জিল্লকবা নার্কো তেরোরিষ্ট অমদি লমদম অসিদগী তোখায়না তানিংবশিংগী মথক্তা কেন্দ্র সরকারনা অকনবা থবক লৌখৎপীনবা রাজ্য সভাগী এম.পি. লৈশেম্বা সনাজাউবনা সংসদতা

তকশিনখ্রে।

ঙসি চথখিবা রাজ্য সভাগী মীফমগী জিরো অৱারগী মতমদা এম.পিনা জিরিবাম-ইম্ফাল রেলৱে লাইন অথুবদা লোইশিনবীনবা ৱাফম পুখৎলদুনা হায়- রাজ্য অসিদা থোক্লিবা ইরাং অসিনা মরম ওইরগা তম্পাক্তা লৈরিবা মীওই লাখ ২০ লোমদি নেসনেল হাইৱেশিংগী খুখাংদা রাজ্য অসিগী মপানদা চৎপা ঙমদ্রে। তঙাইফদনা চৎপা তারবসু এরোপ্লেন তোংবগী ভারা তাংবনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োকরি। মসিগী মথক্তা নোংমদা তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিংগী মমল আতিয়া পকা ৱাংলে। মরম অদুনা রেলৱেনা হায়রিবা খুদোংচাদবশিং অসি কোকহন্নবা অমত্তা ঙাইরবা পাম্বে ওইরি।

মহাকা হায়- কেন্দ্র অমদি রাজ্য সরকারনা নেসনেল হাইৱেশিংদা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং য়াওনা লমদম অসিদা লৈরিবা ইরাং লাকশিন্নবা খোঙথাং কয়া লৌখৎলবসু মীচম মীয়ামদা নোংমৈ কাপথরকপা, মরাল লৈজদবা মীচম ফাবা পুনবা অমদি নেসনেল হাইৱেশিংদা নমদুনা শেল খায়বগী থবকশিং লেপ্তুনা চথরি। মীচম মীয়াম অমসুং লন থুম ঙাক শেন্নবা হোৎনবদা আইন কায়না চংশিল্লকখিবা মীতোপশিংনা  মপান লৈবাক্কী মতেংগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী মথক্তা তশেংনা লান চথরি হায়খি। মরম অদুদা মখোয়শিং অসিগী মথক্তা সরকারনা অকনবা থবক লৌখৎকদবনি।

বার (এল) ঃ     বার কাউন্সিল ওফ মণিপুরদা ট্রান্সফর লাক্কদবা উকিলশিংনা মশাগী ওরিজিনেল এনরোলমেন্ট সার্তিফিকেট পীশিল্লকপা য়ারগনি হায়না কাউন্সিলগী সেক্রেটরি ডাঃ এম. বসন্তকুমার শর্ম্মনা থোকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

দিল্লি ঃ     দিল্লি বিধান সভা মীখলগী ভোট খোন্বগী মতম ঙসি নুমিদাংৱাইরম লোইশিনখ্রে। ভোৎ খোন্বগী ঙসি অরোইবা পুংফম ফাওবদা তোঙান তোঙানবা রাজনিতি দলশিংগী লুচিংবশিংনা মীয়ামগী পুকিং চিংশিন্নবা রোদ সো, য়ুম য়ুমদা চত্তুনা কেম্পেইন চৎপা অমদি মীয়ামগী মীফম পাঙথোকখি।

বি.জে.পি লুচিংবা অমসুং ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা সাউথ দিল্লিগী

সত্তরপুরদা ঙসি রোড শো পাঙথোকখি। বি.জে.পি লুচিংবা অমসুং গৃহ মন্ত্রি অমিত শাহ্না মীয়ামগী মীফমদা ৱা ঙাংখি অমদি বি.জে.পিগী প্রসিদেন্ট জে.পি.নদ্দানা বুরারি বিধান সভা কেন্দ্রদা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীফমদা শরুক য়াখি।

আম আদ্মী পার্তিগী লুচিংবা অমসুং হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি আর্বিন কেজ্রিৱালসু রোদ সো শরুক য়াখি। আম অদমি পার্তি লুচিংব অমসুং পঞ্জাবকী মুখ্য মন্ত্রি ভগৱন্ট মান্না অদর্সনাগর বিধান সভা কেন্দ্রদা পাঙথোকপা রোড সোদা শরুক য়াখি।

কংগ্রেসগী লুচিংবী এম.পি- প্রিয়াঙ্কা গান্ধিনা কষ্টুরবা নাগর বিধান সভা কেন্দ্রদা রোদ সো পাঙথোকখি।

সিট ৭০ লৈবা দেল্লি বিধান সভা মীখলগী ভোৎ থা অসিগী ৫ দা থাদনগনি। মীখল অসিদা মীরেপ ৬৯৯ না লম্বা তৌনরি। ভোট মশিং থা অসিগী ৮ দা থিগনি।

অমরোমদা, ইলেক্সন কম্মিসননা দেল্লি বিধান সভা মীখল অমসুং উট্টর প্রদেশ অমদি তামিল নাদুগী বিধান সভা কেন্দ্র অমমমদা পাঙথোক্কদবা মরক্কী মীখলগী মাংওইননা একজিট পোল লাউথোকপদা অথিংবা থমখ্রে। অথিংবা অসি হ্য়েং নুংথিল পুং ৬ মখায় ফাওবা ওইগনি।

গেমস (এল)ঃ উত্তরাখন্দদা পাঙথোক্লিবা ৩৮ সুবা নেসনেল গেমসকী মেদল টেল্লিদা মণিপুরনা সনাগী ১১, লুপাগী ১০ অমসুং শেঞ্জেংগী ৫ পুন্না তকমান ২৬ ফংদুনা মরিসুবা মফমদা লৈরি।

মণিপুরগী সাইক্লিষ্ট লাইতোনজম রোনাল্ডোনা ঙসি নুপাগী মিতর ২০০ গী স্প্রিন্ট হভেন্টতা লুপা তকামনা অমা লৌবা ঙমখি। অতোপ্পা অমদা গেমস অসিদা ত্রাইথলোনদা সনাগী তকমান অনি লৌখ্রবা শরুংবম অথৌবসু মিটর ২০০ গী ইন্দিভিজ্য়েল মেটলিগী ফাইনেল রাউন্দ ঙসি চংখিবগা লোয়ননা নেসনেল গেমসতা হায়রিবা ইভেন্ট অসিদা ফাইনেল রাউন্দ চংবা ঙম্বা অহানবা মণিপুরগী শান্নরোই মহাকা ওইরে। সার্ভিসেস স্পোর্টস কন্ট্রোল বোর্দনা সনাগী তকমান ১৭ ফংদুনা মকোক্তা লৈরি।

ওকপা (এল)ঃ   হৌজিক চথুরিবা ৩৮ শুবা নেসনেল গেমসকী ব্রুসু মশান্নদা সনাগী তকমান লৌদুনা মণিপুরগী মীংচৎ পুরকখ্রবী য়ুমলেম্বম ইচনতোম্বী ঙসি ইম্ফালদা থোরকখ্রে। মহাকপু নোংপোক নিংথৌ পান্থোইবী দিভলপমেন্ট কমিতি, কৈরাও বিত্রানা হরাউ তয়ামা ওকখ্রে। মহাকপু ওকপগী থৌরম অদুদা কৈরাও বিত্রগী ক্লব, মৈরা পায়বী অমদি সলাইচা পিবারেল পুন্সি মরুপ কৈরাও পানাগী থৌমীশিংসু শরুক য়াখি।

--মখা তাবা শান্নবগী পাউ--

ফুটবোল (এল)ঃ লমলোং থোংখোঙগী আর্তিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা ১৭ শুবা মণিপুর ষ্টেট লিগ ২০২৪-২৫ গী মেটচ অমদা য়ু.পি.এ.এনা মিলন এফ.এবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে।

ফুটসাল (এল)ঃ   কর্নেল ক্ষেত্রিময়ুম অরুন কুমার মেমোরিয়েল ৪ শুবা ইন্তর ক্লব ফুটসাল তুরনামেন্ট ২০২৪-২৫ গী ঙসি কে.আই.ৰাই.সি আর্তিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দদা শন্নখিবা মেটচতা পোলোই এফ.সিনা ই.এস.য়ুবু পাঞ্জল ৩-২ দা থোইখ্রে। অমরোমদা, ১৫ শুবা সাহিদ মনোরঞ্জন সিংহ মেমোরিয়েল ষ্টেট লেবেল ওপন ফুটবোল তুরনামেন্ট ২০২৪-২৫ ঙসিদগী তাকয়েলদা লৈবা সাই গ্রাউন্দদা হৌখ্রে।

জিটসু (এল)ঃ   জ জিট সু এসোসিয়েসন ওফ মণিপুরনা মপুং ওইবা থৌদাং লৌদুনা ইম্ফাল ইষ্টকী কাইরং মমাং লৈকাইদা লৈবা গ্লোবেল মার্সিয়েল আর্ট একাদমিদা জনুৱারি ৩০ দগী চথুরকখিবা জ জিট সু ট্রেনিং কেম্প লোইশিনখ্রে। কেম্প অদুদা মণিপুরগা তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদগী লাকপা শান্নরোই অমদি কোচ পুন্না ৮৬ না শরুক য়াখি। লোইশিনবগী থৌরমদা স্পেসিয়েল কন্ট্রেক্তর দব্লিউ. খেলেন, জে.জে.এ.এমগী প্রসিদেন্ট সি.ঐচ. সনাহল মৈতৈ, ভিজিলেন্সকী ও.সি- এল. তিকেন্দ্র, ককচিং পি.এসকী ও.সি- বিরলা

শোরাইশম অমসুং সোসিয়েল ৱার্কর এস. নিরমলকুমার শরুক য়াখি।

ক্রিকেট(এল)ঃ ৪ শুবা এম.এন.সি.এ. বোইজ অন্দর ফোরতিন তুরনামেন্ট ২০২৪-২৫ গী ঙসি খুদৈবন্দ লম্পাক তাওথোংদা শান্নখিবা লিগ মেটচতা ৱাই.দব্লিউ.সি লংথবালনা ফোর্স ক্ষেত্রিগাউবু ৱিকেট ৯ দা থোইখ্রে।

তুরনামেন্ট অসিগী পি.টি.আর.সি গ্রাউন্দ পাৎশোই পার্ট ফোরদা শান্নখিবা লিগ মেটচ অমদনা ৱাই.এ.এল থৌবাল লৈশাংথেমনা পি.টি.সি.সি পাৎশোই পার্ট থ্রিবু ৱিকেট ৩ দা থোইখি। লাইরেঞ্জম পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা অতোপ্পা লিগ মেটচ অমদা এ.এম.সি.এ থৌবালনা সি.সি.কে খোংমনবু রন ২৯৯ দা থোইখি। সেদোক গ্রাউন্দ কোংবা ধোবী লম্পাক্তা লিগ মেটচতনা টি.সি.এম.দি.সি থোংজ্ পার্ট টু পেচু লম্পাকা সি.দি.সি.সি শগোলবন্দ শলাম লৈকাইবু রন ১৫ দা থোইখি।

ক্রিকেটঃ অনিশুবা এম.এন.সি.এ. ৱিমেন অন্দর ফিফতিন ৱান ডে ট্রোফি ২০২৪-২৫ গী থাংমৈবন্দগী থাউ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা লিগ মেটচ অমদা থাউ থাংমৈবন্দনা ৱাই.পি.ঐচ.য়ু.সি ললাম্বুংবু ৱিকেট ১০ দা থোইখ্রে।

পি.সি.সি গ্রাউন্দ ময়াই কোইবীদা শান্নখিবা লিগ মেটচতা-এ.কে.এস.দি.ও খাঙবোকনা পি.টি.আর.সি পাৎশোইবু রন ২১৫ দা থোইখি।

ক্রিকেটঃ ৯ শুবা এম.এন.সি.এ. দব্লিউ.প্রহলাদা অমদি দব্লিউ. রামানন্দ ইলিট তুরনামেন্ট ২০২৪-২৫ গী ঙসি মোদেল হায়র সেকেন্দরি অমসুং ওরিয়েন্টেল কলেজ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা সাইক্লোন থাংমৈবন্দ এস.সি.সি.সি শিংজমৈ থোঙাম লৈকাইবু ৱিকেট ৮ দা থোইখ্রে। থৌবালগী মোইজিং পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা লিগ মেটচ অমদনা কে.সি.সি. কোংবা বজারনা মোদেল শিংজমৈ চীংঙামখাবু ৱিকেট মরিদা থোইখি।

------